# জি এস টি চৎনহন্নবা ৱারেপ লৌবদা পার্টি ৩০ য়াওখি : প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি

গান্ধীনগর, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সী):
লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা গুদস এন্দ সার্বিসেস টেক্স (জি এস টি) চৎনহনখিবগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খ্রে মদুদি, অনৌবা টেক্স রেজিম অসি চৎনহন্নবা ৱারেপ লৌবদা অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টি ৩০ রোম য়াওখি। বি জে পি মথন্তনা থৌরাং অসি লৌখৎখিবা নত্তে।



মশাগী পোক্কফম লমদম ওইরিবা গুজরাটতা পাঙথোকখিবা রেল্লি অমদা ৱা ঙাঙখিবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, জি এস টিগী মায়োক্তা কন্না লাউরিবা কোংগ্রেসসু অনৌবা টেক্স রেজিম অসি চৎনহন্নবা ৱারেপ লৌবদা শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি, প্রাইম মিনিষ্টরনা চহী ১গী মমাঙদা য়াম্না থাজবদা মওংদা শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবা অমসুং লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা জি এস টি চৎনহনখিবনা শেন্মীৎ-লোন্দা চাউনা অকায়বা পীরে হায়না ফোঙদোক্লরকপা লৈখ্রবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই খরনা এন দি এ গভর্ণমেন্টপু লান্না উহন্নবা মওংদা জি এস টি অমসুং জি এস টিগী মায়োক্তা অরানবা তোকঙা কয়া শন্দোরকপা থেংনরে। জি এস টিনা মরম ওইরগা হৌখিবা থা ৩ গ্রোস দোমেষ্টিকপ্রদক্ট (জি দি পি)গী চাং চাদা ৫.৭তা হন্থরকখি হায়রিবসি অরানবা ৱাফমনি।

সেন্টর অমদি ষ্টেট খুদিংমক্তা জি এস টি চৎনহনবগী থৌরাং অসি মমাঙদা পাল্লম্বা কোংগ্রেসনা পায়খৎলম্বনি। হন্দক্তা এন দি এনা জুলাই ১দগী ইন্দাইরেক্ট টেক্স রেজিম অসি চৎনহনখ্রবা মতুংদা থৌরাং অসিবু লৌখৎলম্বা কোংগ্রেস অমদি অতৈ পার্টিশিংনা বি জে পিগী মথক্তা মরাল কয়া শীরক্লি।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিত শাহ অমদি অতৈ মকোক থোংবা পার্টিগী লূচিংবশিংগা লোয়নননা মীখল পাঙথোক্কদৌরবা গুজরাটতা মীওই লাখ ৭ লোম তিনবা থৌরম অমদা ৱা ঙাঙখিবগী মতাংদা কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা হায়খি, মীখল মমাঙদা ওইরোইদবা ৱাশক কয়া শক্তুনা গুজরাটকী মীয়াম্বু অপংবা শীনবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টরনা ষ্টেট অসিদা লাকখিবনি।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা রাহুল গান্ধীনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইন্দিয়া অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মরক্তা নক্লবা মরী থম্লরে হায়না মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনরি। পাকিষ্টানগা চৎমিন্নরিবা লৈবাক অমবু ইন্দিয়াগী মরুপ ওইনা উহন্দুনা গুজরাটতা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা বি জে পিনা সিট মশীং য়াম্না ফংনবা থৌরাং তৌরি।

# আরুসিগী মমা-মপা মরাল লৈতে হায়দুনা দস্না জেলদগী থাদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সী):
চহী ১৪ শুরবা মচানুপী আরুসি অমসুং ময়ুমদা থবক তৌনবা থম্বা হেমরাজ হাৎখিবগী মতাংদা মরাল লৈতে হায়না লাউথোকখ্রবা দেন্টিষ্ট মতৈ-মনাও রাজেশ তলৱার অমদি নুপুর তলৱারবু ঘাজিয়াবাদকী দস্না জেলদগী থাদোকখ্রে।

রাজেশ তলৱারগী মনাওনুপা দিনেশ তলৱার অমদি মখোয়গী উকিল মনোজ সিসোদিয়া অমসুং তনবির অহমদ মিরনা জেলগী মপান্দা তলৱার মতৈ-মনাওবু তরাম্না ওকখি।

দেন্টিষ্ট মতৈ-মনাও জেলদগী থাদোরকপদা হরাওবা ফোঙদোক্লদুনা তনবির অহমদ মিরনা হায়খি, অলাহবাদ হায় কোর্টনা রাজেশ অমদি নুপুর তলৱার মরাল লৈতে হায়বা খঙবদগী থাদোরকখিবনি।

আরুসি অমসুং হেমরাজ হাৎখিবগী মতাংদা সী বি আইনা মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখ্রবা তলৱার মতৈ-মনাওবু ওক্টোবর ১২দা অলাহবাদ হায় কোর্টনা মরাল লৈতে হায়না ৱায়েল পীখিবনি।

সী বি আইনা মতিক চাবা খুদম পুথোকপা ঙমদবা মরম্না তলৱার মতৈ-মনাওবু অরুসি অমদি ইমুংগী থবক তৌনবা থম্বা হেমরাজ হাৎখিবগী থৌদোক্তা মরাল লৈরে হায়না লৌফম থোক্তে হায়না কোর্টনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৩গী নবেম্বর ২৬তা সী বি আইগী কোর্টনা মতৈ-মনাওবু অরুসি হাৎখিবগী মরালদা পুন্সি চুপ্পা জেলদা থম্নবা ৱায়েল পীবা লৈখ্রবনি। কোর্টকী ৱায়েল অদুবু শীংনরদুনা তলৱার মতৈ-মনাওনা আপিল পিটিসন অমা অলাহবাদ হায় কোর্টদা ফাইল তৌরকখি।

হায়না জষ্টিস বি কে নরায়না অমসুং জষ্টিস এ কে মিশ্রাগী দিভিজন বেঞ্চ অমনা হিয়ারিং চথুরবা মতুংদা হায়খি, তলৱার মতৈ-মনাওনা অরুসি হাৎখি হায়বগী মতাংদা সী বি আইনা মতিক চাবা খুদম পুথোকপা ঙমদ্রে। মতিক চাবা খুদম ফংদনা চিংনৈ হায়বগীদমক মতৈ-মনাওবু চৈরাক পীবা মরম চাদে।

হৌজিক হৌজিক ঘাজিয়াবাদকী দস্না জেলদা থল্লিবা তলৱার মতৈ-মনাও খুদক্তা থাদোকখিগদবনি হায়না হায় কোর্টকী ৱায়েল অমনা ফোঙদোকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা সী বি আইনা হায়খি, হায় কোর্টকী ৱায়েল অসি কুপ্না নৈনরবা মতুংদা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

চৈরকসিদা, জেলদগী থাদোরক্লবা তলৱার মতৈ-মনাওনা নোইদাদা লৈবা ময়ুমদা অমুক হন্না চৎলরোই হায়না ফোঙদোকখ্রে। মখোয় অনীনা জেলদগী হেক থোরকপগা থবক্তগী পোত্থারবা গ্রুপ কেপ্টেন বি জি চিতনিস (নুপুর তলৱারগী অপোকপা)গী ময়ুমদা ওইনা লৈরুনবা ফিরেপ লৌরে হায়রি।

# বেঙ্গলুরুদা কা হেন্না অকনবা মওংদা নোং চুখিবগী থৌদোক্কা মরী লৈননা শিখিবা মীওই পুন্না ১৯ শুখ্রে



বেঙ্গলুরু, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সী): বেঙ্গলুরুগী মফম অয়াম্বদা নোং কন্না চুখিবগা লোয়নননা নোংগা মরী লৈনবা থৌদোক্তা শিখিবা মীওই ১৯ শুখ্রে।

গদগ দিষ্ট্রিক্টকী গজেন্দ্রগরদা ঙরাং নুমিদাং য়ুম অমগী য়ুমথক নিংখায়রকপদা মীওই অহুম শিখি। অতোপ্পা মফম অমদসু মশাগী চহী ১৬ শুরবা মীওই অমা নোংগা মরী লৈনবা থৌদোক্তা শিখি। চহী অসিগী ওইনা বেঙ্গলুরুদা এম এম ১,৬২০ গী চাংদা নোং চুখি।

ইন্দিয়ন মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট মতুং ইন্না কুমজা ২০০৫দা এম এম ১,৬০০গী চাংদা নোং চুখি। মদুগী মতুং তারকপদা হন্দক্কী অসিনা বেঙ্গলুরুদা খ্বাইদগী কনবা মওংদা নোং চুবনি হায়রি।

মুম্বাই অমদি অকোয়বগী মফম কয়াদসু নোং কন্না চুবদগী রেল, রোদ অমসুং এয়র সার্বিসতা অপনবা থোকহনবগা লোয়নননা মহৌশাগী পূন্সিদা চাউনা অকায়বা পীখ্রবনি।

মফম খরদা খঙহৌদনা ঈশিং থুমজিল্লকপদগী চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনবিসনা ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট কন্ট্রোল (এস দি এম সী) রুমদা চত্তুনা ওইরক্লিবা ফীভম কুপ্না য়েংশিনখি।

মুম্বাই পুলিস অমসুং নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি (এন দি এম এ)না মীয়ামগী মতেং পাংবগা লোয়নননা মীপুম খুদিংমক মীৎকুপ নাহুম শীংনা লৈনবা খঙহনখ্রে। তঙাইফদবা থবক নৎত্রবদি য়ারিবমখৈ ইমুংদগী মপান থোরক্তনবা পুলিস, এন দি এম এ অমসুং ব্রিহনমুম্বাই ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (বি এম সী)না মীয়ামদা খঙহনখিবনি। নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ)না পুলিসকা খুৎশম্নরগা অকুৎপা মফমদা লৈরিবা মীওইশিং খুদোংথিবা থোক্লোইদবা মফমদা হোন্দোকখি।

অমরোমদা, খা থংবা গুজরাট অমদি সৌরষ্ট্রগী মফম খরদসু নোং কন্না চুখিবা মরম্না মহৌশাগী পূন্সিদা চাউনা অকায়বা তোকহনখিবনি। আই এম দিগী চেরোল অমনা হায়খি মদুদি, হৌখিবা অহিংদগী হৌনা সুরত, বলসাদ, জুনাগর, বাটাদ, মোর্বি, ভাবনগর, রাজকোট, সুরেন্দ্র নগর অমসুং মহুবাদা নোং কন্না চুখি। মফম খরদা এম এম ১০৮গী চাং য়ৌনা নোং চুখি হায়রি।

# গুজরাটকী মীখলগী মতম লাউথোক্তবগী মরম হংখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সী):
ইলেক্সন কম্মিসন্না গুজরাট এসেমব্লি ইলেক্সনগী মতম লাউথোক্তবগী মরম করিগীনো হায়না জনতা দল য়ুনাইটেদ (জে দি য়ু)না হংখ্রে।





জে দি য়ুগী জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবা স্পোক্সপার্সন পৱন বর্মানা হায়খি, ইলেক্সন কম্মিসন্না মীচং-মীখাই নাইবা থৌরাং লৌখৎপা চুমদে। হৌজিক ফাওবা কম্মিসন্না মীখলগী মতম লাউথোরক্ত্রিবা করিগীনো হায়বদু মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি।

ওপোজিসন পার্টিশিংনসু হিমাচল প্রদেশতা মীখলগী মতম লেপখ্রগা গুগরাটকী ওইনা হৌজিক ফাওবা ইলেক্সন কম্মিসন্না মীখলগী মতম লাউথোরক্তবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

মীখল পাঙথোক্কদৌরবা ষ্টেট অসিদা বি জে পিবু নমদুনা মায় পাকহন্নবগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন্না হৌজিক ফাওবা মীখলগী মতম লাউথোক্তবনি হায়না ওপোজিসনগী লীদরশিংনা মরাল শীখি।

বর্মানা হায়খি, এন দি এদা বি জে পি অমদি জে দি য়ু য়াওমিন্নবা তারবসু পার্টি অসিগী তোপ তোপ্পা ফিরেপ অমা লৈজে। লৈঙাক্লা অরানবা থৌওং লৌখৎলকপা মতমদা জে দি য়ুনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই।

পনবা য়াবদি, নবেম্বর ৯দা হিমাচল প্রদেশ এসেমব্লিগী মীখল পাঙথোক্লগা দিসেম্বর ৯দা ভোট মশীং থিগনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসন্না লাউথোকপা লৈখ্রবনি। মরক্তা গুজরাট এসেমব্লিগী মীখল পাঙথোক্কদবা লৈবনা হিমাচল প্রদেশতা মীখল পাঙথোকপা অমসুং ভোট মশীং থিবগী মরক্তা মতম শাংনা লৈহনবনি হায়রি।

ইলেক্সন কম্মিসন্না হায়খি মদুদি, চীংগী ষ্টেট ওইরিবা হিমাচল প্রদেশতা নিংথম থা য়ৌরক্ত্রিঙৈদা মীখল পাঙথোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি। ষ্টেট অসিদা খুদক্তগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনবা হৌখ্রে। মেম্বর ৬৮ লৈবা হিমাচল প্রদেশ এসেমব্লিগী মতম মথং চহীগী জন্যুৱারী ৭তা লোইরগনি।

হিমাচল প্রদেশকী মীখলদা লৌখৎকদবা থৌরাং কয়ামরুম ইলেক্সন কম্মিসন্না লাউথোকখ্রে। ষ্টেট অসিগী মীখলদা শীজিন্নগদবা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ঈ ভী এম) খুদিংমক্তা ভোটর ভেরিফাইদ পেপর ওদিট ট্রেল (ভী ভী পেট) য়াওগনি হায়রি।

মীখল মতমদা কনাগুম্বা মীওই খরনা ঈ ভী এমবু অরানবা মওংদা শীজিন্নৈ হায়না মরাল শীরকপদগী ইলেক্সন কম্মিসন্না ভী ভী পেট য়াওহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

মীখলদা অরানবা থৌওং চথুবা য়াহন্দনবগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন্না সোসল মিদিয়া, সোসল নেটৱার্কিং, বল্ক এস এম এস, রেকোর্দেদ ফোন মেসেজ অমদি ভীদিও কোলগী খুত্থাংদা ভোট খোম্বগী থবক থৌওং পুম্নমক কুপ্না য়েংশিল্লগনি হায়রি।

মালেমগী ওইনা মীখল মতমদা শেল পীরগা অখন্নবা পার্টি নৎত্রগা মীরেপ অমগী খুদোংচাগদবা মওংদা পাউ ফোঙহনবগী থৌওং মপুং ফানা থিংনবগীদমক কম্মিসন্না মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার এ কে জ্যোতিনা ফোঙদোকখি।

# বেঙ্গলুরুদা বিল্ডিং নিংখায়বদা ৭ শিখ্রে

বেঙ্গলুরু, ওক্টোবর ১৬(এজেন্সী):
বেঙ্গলুরুদা থোকখিবা বিল্ডিং নিংখায়বগী থৌদোক্তা শিখিবা মীওই ৭ শুরে হায়না ষ্টেটকী হোম মিনিষ্টর রামালিঙ্গ রেদিনা ফোঙদোকখ্রে।

সিটি অসিগী এজিপুরা এরিয়াদা ঙসি রেসিদেন্সিএল বিল্ডিং মরি নিংখায়রকপদা মীওই কয়ামরুম অতেক অকায় মরক্তা ননশিনখ্রবনি।

থৌদোক থোকফমদা ফীভম য়েংশিনবা লাকখিবা মিনিষ্টর রামালিঙ্গ রেদিনা হায়খি, মতৌ করম্না বিল্ডিং নিংখায়বগে হায়বা চপ চানা খঙদোক্লবগীদমক ইনভেষ্টিগেসন চথুবা হৌরগনি।

মমাঙদা গ্যাস সিলিন্দর পোকখায়বদগী বিল্ডিং নিংখায়খিবনি হায়না মফম অদুগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকখ্রবনি।

ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা রেদিনা হায়খি, বিল্ডিংগী গ্রাউন্দ ফ্লোর অমদি অহানবা মথোলদা লৈরম্বা এল পি জি সিলিন্দর পুম্নমক ইহাঙ হাঙলম্বা থেংনখি।

অমরোমদা, ষ্টেটকী দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর কে জে জোর্জনা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংদা লুপা লাখ ৫ / ৫ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

রেস্ক্যু ওপরেসন চথুবা লোইদ্রিবা মরম্না বিল্ডিং নিংখাইবগী থৌদোক্তা পুন্না মীওই কয়া শিখ্রবগে হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনা চপ চানা হায়বা ঙমদ্রি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কর্নাটাকা ষ্টেট ফায়র এন্দ ইমর্জেন্সী সার্বিসেসকী ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি, বিল্ডিংগী অতেক-অকায়না মীওই মরি ননশিল্লম্বা য়াই হায়না চিংনরি।

# অদিত্যনাথনা অযোধ্যাদা মেগা দিৱালি পাঙথোক্কদৌরি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৬(এজেন্সী):
উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা অযোধ্যাদা মেগা দিৱালি পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি।



পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মহাক্লা হায়খি, চহী অসিগী ওইনা অযোধ্যাদা খ্বাইদগী চাউবা মওংদা দিৱালি পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলক্লিবা অসিগা রাম জন্মভুমিগী ৱাথোক্কা মরী লৈনদে। গিনিস ৱর্ল্ড রেকোর্দ থম্নবগী পান্দমদা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা মৈরা লাখ ২ হেন্না থানগদৌরি।

মীখলগা মরী লৈননা অযোধ্যাদা রাম টেম্পল শানবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়বা ৱাফম অমবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা অদিত্যনাথনা হায়খি, সুপ্রিম কোর্টনা রাম টেম্পলগী মতাংদা পীরকপা ৱায়েল ঙাইখিগনি। খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্কী ৱায়েলশঙনা পীরকপা ৱায়েল অদু মীপুম খুদিংমক্লা ঈকায় খুম্নবা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা লূচিংবা উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা অযোধ্যাগী সরিয়ু তুরেল মনাক্তা রামগী অচৌবা মিতম অমা শারগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি। য়েৎনরিবা রাম জন্মভুমি-বাব্রি মসজিদ মনাক নক্লা শাগদৌরিবা রামগী মিতম মিটর ১০০ ৱাংগনি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা উত্তর প্রদেশতা রিলিজিয়স টুরিজম চাউখৎহন্নবগী মতাংদা লৌখৎপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা মিটর ১০০ ৱাংবা রামগী মিতম অমা অযোধ্যাদা খিন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

ষ্টেটকী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা টুরিষ্টশিংগী মীৎয়েং চিংশিন্নবা থৌরাং কয়ামরুম লৌখৎনবা হোৎনরি। হায়রিবা থৌরাং অসিগী শরুক অমা ওইনা অযোধ্যাদা মিটর ১০০ ৱাংবা রামগী মিতম অমা খিন্নবা চীফ মিনিষ্টরনা থবক পায়খৎলকপনি হায়না উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টকী টুরিজম দিপার্টমেন্টকী ইন-চার্জ ওইরিবা অবনিস অৱাস্থিনা ফোঙদোকখি।

সিয়া সেন্ট্রেল ৱাকফ বোর্দনা সুপ্রিম কোর্টতা ফাইল তৌখিবা পিটিসন অমদা উত্তর প্রদেশকী অযোধ্যা দিষ্ট্রিক্টতা রামগী টেম্পল মনাক্তা মোস্ক অমা শাবদা অকায়বা লৈতে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

বোর্দনা হায়খি, রামগী পোক্কফম লমদম ওইরিবা অযোধ্যাদা মুস্লিম ফুরুপকী মীওইশিংনা নম্না খুন্দাবা মফম অমদা মোস্ক শাবদা অকায়বা লৈতে। বাব্রি মসজিদকী অশেংবা মপু সিয়া ৱাকফ বোর্দনা ওইবা মরম্না মসজিদ শাবগী মতাংদা অরোইবা ৱারেপ লৌবসু বোর্দনা লৌগদবনি।

সুপ্রিম কোর্টনা রাম জন্মভুমি-বাব্রি মসজিদকী মতাংদা হিয়ারিং চথনবা থৌরাং তৌরিঙৈগী চৈরক্তা বোর্দকী এফিদেবিট অসি ফাইল তৌরকখিবনি।

গুজরাটতা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সন্দা বি জে পিনা সিট ১৫০ হেন্না ফংবা ঙম্লগনি হায়না অদিত্যনাথনা মমাঙদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# দিফেন্স মিনিষ্টর সিতারমননা ইন্দিয়ন নেভিদা আই এন এস কিল্টন কম্মিসন তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সী):
বিশাখাপত্নমগী দোকয়ার্দতা দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মালা সিতারমননা ঙসি ইন্দিয়ন নেভিদা আই এন এস কিল্টন কম্মিসন তৌখ্রে।



থৌরম অদুদা ইন্দিয়ন নেভিগী মকোক এদমিরেল সুনিল লম্বা অমদি অতৈ শক্লাইরবা মীওই কয়ামরুম শরুক য়াখি।

ইন্দিয়ন নেভিগী দিরেক্টোরেট ওফ নেভেল দিজাইন্না থৌরাং তৌরগা গার্দেন রিচ সিপ বিল্ডর্স এন্দ এঞ্জিনিয়ার্সনা শাখিবা নেভেল ৱারশিপ অসিগী মতেংনা ইন্দিয়ন নেভিগী মপাঙ্গল কনখৎহনবা ঙম্লগনি হায়না থাজনরি।

মমাঙদা আই এন এস কমোর্তা অমদি আই এন এস কদমত ইন্দিয়ন নেভিদা কম্মিসন তৌবা লৈখ্রবনি।

অনৌবা মতমগা চুনরবা লানগী জহাজ অসিগী অরুম্বা টন ৩,৫০০নি। অশাংবনা মিটর ১০৯নি। দীজল এঞ্জিন মরি পানবা ৱারশিপ অসি নোট ২৫ হেন্না য়াঙনা চেনবা ঙমই হায়রি।

লানগী জহাজ অসি ইন্দিয়ন নেভিদা খুৎশিন্নদ্রিঙৈ মমাঙদা কয়ারক হন্না সমুদ্রদা খুৎলাই কয়ামরুমগা লোয়নননা চাংয়েং তৌবা লৈখ্রে।

অতোপ্পা লৈবাক অমত্তগী মতেং য়াওদনা শেমগৎখিবা লানগী জহাজ অসি কা হেন্না মখোল থোক্তবা মরম্না এন্তি সবমেরিন ৱারফ্যের চথুবদা খুদোংচাগনি হায়রি।

ন্যুক্লিয়ার, বাইওলোজিকেল অমদি কেমিকেল ৱারফ্যেরদা শীজিন্নরবা য়ারবা লানগী জহাজ অসিদা সোর্ট রেঞ্জ এস এ এম সিষ্টেম ইন্সটোল তৌবগা লোয়নননা অতৈ অতোপ্পা খুরাই কয়ামরুম পানশিন্নবা থৌরাং তৌরি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : BISHNUPUR**

*Ref:- Mut. Case No. 436/SDC/Bishnupur, 2017*

1. Thoudam Sundari Devi W/o (L) Manglemba Singh of Toubul
2. –do– Ningthemmani Singh S/o –do– of –do–
3. –do– Radharani Devi D/o –do– of –do–
4. –do– Nikita Devi D/o –do– of –do–

*-Petitioners*

-Vrs-

Thoudam Manglemba Singh S/o (Late) Th. Goura Singh of Toubul.

*-O.P.*

**/NOTICE**

Bishnupur, the 16/10/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Thoudam Manglemba Singh S/o Th. Goura Singh of Toubul দা লৈবগী মীংদা পানবা পাট্টা নং 36/382 (অরিবা)। 202 (অনৌবা) সি: এস: দাগ নম্বর 1232 গী 0.36 চাওবা ইঞ্চোল অসিগী পট্টাদার অসি মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নরশিংগী মীংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চৎথগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**
Bishnupur

*HL-P/2897/17*

**STUDY MBBS/MD IN ABROAD**

* HENAN UNIVERSITY OF SCIENCE & TECHNOLOGY, CHINA

Note : ONLY FOR INDIAN PASSPORT HOLDER

BANGLADESH: PRIME MEDICAL COLLEGE, RANGPUR COMMUNITY MEDICAL COLLEGE,

*PLZ Contact:* - Atawar Rahman
A.S. Education Trust, Khergao Thambalkhong, Near Cambridge School, Old Campus Imphal.

NOTE: : Scholarship Available for For Master and PhD in China.

Contact No. : 8257053310, 8794249895, 9615706900, 9856363129

HL-B/4625/15to30 Oct.

**CAMBRIDGE ENGLISH**
At Keishamthong Elangbam Leikai Leirak Macha, Imphal West.

New Courses starts on 11/10/2017

**English Foundation: Class-X (BOSEM)**
3rd Batch: Morning :05:40 am-06:40am. Evening:06:15 pm - 07:15 pm.
**Outstanding features:** Thorough discussion- Question analysis- Weekly Test under BOSEM question patterns-Suggested Questions & Answers-etc.

**Grammar Foundation: Classes X,XI,XII**
**What to be Taught:** Word Classes-Kinds of Phrases- Determiner-Model Auxialiary-Voice-Tense-Narration-Clauses-Transformation of Sentences, etc.- 1). 04:30 am.- 05:30 am. 2). 04:00 pm-05:00 pm

**Language Skills: Grammar & Spoken** - 04/10/2017
Group 1:Student-Secondary,College,University,etc. (06:50 am-08:10 am)
Group 2:Senior-Professionals and Others 30 yrs. above. (05:10 pm-06:10 pm)

**Special English : Competitive Exams.**
Starts on: 04/10/2017 Afternoon: 01:30 pm - 03:00 pm.
For Address Contact- 9774463856 & 9402280502 ( H.Chinglen)
Forms available now for Revison Course- Class-X English (BOSEM):05/12/2017
*N.B: Home Tutor available for Grammar & Spoken English*

HL-P/2950/24-24Oct.